থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# সোসল ৱেলফেয়র হায়বসি নেসন বিল্ডিং হায়বনি

মতম অমদা, হায়বদি আ মথায় থায়না মমাংঙৈদা, ইতিহাস হায়বা হীরম অসি পুথোক্লিঙৈ মতমদুদা ইন্দিয়া হায়বসি ময়ামদগী মাঙজীন থানা চাউখৎপা লমদম অমা ওইরম্মী হায়বা ৱারী লাইরিকশিংদগী খঙই। বেদিক এজ (বেদগী মতম) হায়বসি রেকোর্দেদ হিষ্টরিগী মনূং চনবা নত্তে। মতমদুদা ইরম্বা লাইরিকশিংনি থাজনরিবা- অৱাংবা থাক্কী লাইরিকশিংনি। মোহেন জোদারো অমদি হরাপ্পা'দা লৈনূং তৌথোকপদা ফংখিবা, মতমদুগী য়ূম্লে-কৈরৈ অমদি খুন্নায়গী থাক মশক তাকপা শক্তমশিং অঙাং ওইরিঙৈগী লাইরিক্তা থেংনরকখি। নৌরিবা কোক্তুদা খলহল্লকখিবা- ইন্দিয়া হায়বসি মালেমগী চাওখৎলবা লৈপাকশিংগী মরক্তা অমনি। মপূম-মরৈ ফারক্লবা মতমদতা খঙলকই- ইন্দিয়াদি, চাওখৎপগী লমজেলদা মনীং থংনা চেল্লিবা লৈপাক অমনি।

ইন্দিয়াগুম্না, মমাংঙৈগী মতমদা মাঙজীন থানা চাওখৎলম্বা লৈপাক অমা- চিনাসু ওইরম্মী। চাউরক্লগা খঙলকপনি। মালেমগী লৈপাক পূম্নমক্তগী খ্বাইদই হান্না চাওখৎলম্বা চিনা'নি, ঙসিসু মাঙজীন থাগদবনি- হায়বা ৱাখল অসি কুনশুবা চহীচাগী চাইনিজ মীরোলদা চূশিনহন্নবা পোলিটিকল মুভমেন্ট অমা ওইনা শাগৎখিবা চিনাগী অরোনবা, ৱারীশিং, উপন্যাস (ৱারী অচৌবা, নোভেল) ওইনা ইথোক্তুনা মালেমদা খঙহল্লকখিবা, ঐনা খঙজবা অইবসি অমেরিকাগী নোবেল-প্রাইজ-ৱিন্নর-নোভেলিষ্ট 'পর্ল এস বক'নি। অতৈ অইবসু লৈরমগনি, ঐনা পারুদবনা খঙদবনি। অদুগুম্বা অকনবা ফিরেপ অমা, চাইনিজ খূদিংদা লৈহনখিবনা ঙসিগী চাওখৎ লমজেলদা অমেরিকাবু চেল্লেঞ্জ তৌরক্লিবনি।

অমেরিকান অমদি চাইনিজ'গুম পোলিটিকল ৱিল য়াওদবা পোলিটিসিয়নশিংগী খুত্তা তাখিবনা, নীংতম্বা ফংলবা মতূং চহী ৭০গী মতূংসিদসু 'চাওখৎলক্লিবা লৈপাক' হায়বা শক্তাক-চে (তেগ) অদু লৌথোকপা ঙমদ্রিবনি, মাঙখিবা ঈকায়খুম্নবা হনজিনবা ঙমদ্রিবনি। লানবরা? ইন্দিয়াগী চাওখৎ-ৱারী অমদি পোলিটিকল হিষ্টরি- ঐখোয় নৈনদবা য়াদবনি। মরমদি, ঐখোয় ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইখ্রবা লমদম অমগী নাগরীক'নি। ইন্দিয়ানা চাওখৎপা নৎত্রগা চাওথবা, অনীমক্তা ঈয়াওতা য়াওরগদবা মীয়ামনি। লমদমসিগী নহারোলনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা ৱারৌরিবা, অমুক তোখায়না লৈখ্রগে নিংঙাই তৌরিবা- চাওখৎপা লমদম অমা ওইহল্লল্লবা, হায়রক্লমদবসু য়ারিবনি। অওনবা (রিভোল্যুসন) অমা লাকহন্নবা হোৎনবদি হোৎনফম থোকই হোৎনসনু। খূৎলায় পায়গেরা? পায়রোইরা? অঙম্বা পাম্বৈনা হোৎনসনু। পোলিটিসিয়নশিংনা পোলিটিক্স তৌরিবা, অওনবা পুরক্নবা নত্তরা? হান্নগী লীক্লমদা চৎলগা মতৌ তমদৌ' ওইরবা, পোলিটিক্স তৌদবনা ফবনি।

হৌখিবা চহী কুনমুকসিগী ইন্দিয়াগী দিভেলপমেন্ট-ইন্দেক্স'তা উরিবা ইন্দিকেতর ময়াম অসি য়েংলগা ইন্টরনেসনেল ওনলুকর (অয়েংবা)শিংনা হায়- ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙজেল শীংথানিংঙাই ওইনা য়াঙখৎলক্লি। ঐখোয়সু ঙাইহাক্তং লেপ্লগা ইশাদা য়েংজবা মথৌ তায়- ঐখোয়না লেপ্লিবসি কদায়দনো? হয়েংগীদমক ঐখোয়না তৌগদবসি করিনো? শোয়না থাংখ্রবা খোঙথাং অদু চুমথোক্নবা, করি থৌরাং তৌগনি? কদোম পাঙনা চৎলগা পন্থুং থুনা য়ৌগনি?

মতম চূপ্পদা ঐখোয়না মরুওইখ্রবা অহল-লমনশিংগী ৱাহায় অমা মরুওইনা লৌরুদবা, থওই-ৱাওই খল্লুদবা অমা লৈ। মদুদি- 'ঙসিগী নহারোল হয়েংগী খুন্নাইগী য়ুম্বী'নি। নহারোল অদুদি কনানো? 'ঙসিগী অঙাং হয়েংগী নহারোলনি, সূম চাদবা অচেৎপা য়ূম্বী য়ুংনবা ঙসিগী অঙাং শেমগদবনি' হায়বা ৱাহায় অদুদি করম্বা লুচিংবনা হায়রম্বগে? পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমবু পীজ-পীথক তৌদুনা চাউননবা শেম্বদা লৈপাক শেম্বই ৱাখল পুশিনবা মমা-মপা কনাবু য়াওরমগদগে? তশেংবদি, মশা ফবা, অকনবা, চাওওখৎপা লৈপাক অমা শেমগৎপা হায়বসি, লমদমদুদা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমদা, মহাক্না নুমীৎ ১০০০ শুরকপা ফাওবদা লৈপাক্তুনা লুপা কয়া থাদখ্রবগে? মাগীদমক করি তৌখ্রবগে? করম্না য়োক্লকপগে? হায়বদুগী মখা পোল্লি হায়বসি- অমেরিকাগুম্বা চাওখৎপা লমদগী থোক্লকপা কন্সেপ্ত অমনি। মতাঙসিদনি ইন্দিয়াগী 'লায়রবা', অমদি 'লায়রবা কোকহন্নবা প্রোগ্রাম'গা চাওখৎ লমজেল থীন্থবগা মরী লৈনরক্লিবা। থিজিন হুমজিনবা মীওইশিংনা হায়বনি- পোকপদা অঙাং অমনা লূম্বগী চাং অদুগা লৈপাক অদুগী চাওখৎপগী থাক অদুগা মরী লৈনৈ।

অদুনদি, সোসল ৱেলফেয়র প্রোগ্রাম হায়বসি লৈপাক অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা চাওখৎপগী খূৎলায় অমনি হায়বসি লানফম থোক্তে। অদুবু, ঐখোয়' লৈপাকসিদদি সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রি হায়বসি, কান্নদবা পোর্টফোলিও অমগুম লৌনৈ। লায়রবনা মশীং হেনবা লমসিদা লায়রবগীদমক কায়থোকখিবা শেনফম হায়বসি অচৌ-অশাঙ-ওফিসরশিংনা মখোয়গী ফুরিৎখাউদা হাপ্পদা খ্বাইদই লায়বা পাম্বে অমনি খন্নে। ১৯৭০গী মতমদা ইন্দিয়াদা হৌদোকখিবা 'ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভেলপমেন্ট স্কিম' (আই সী দি এস) হায়বসি, মীরোনবী নুপী অমদি নৌরিবা অঙাংশিংগীদমক মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজদুনা মশা মউ ফনা লৈহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা পায়খৎখিবা অখন্নবা প্রোগ্রাম অমনি। ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা, খ্বাইদগী কুইনা-শাংনা-চত্থরকপা সোসল ৱেলফেয়র প্রোগ্রাম অমা ওইনা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবনি। ২০১৭-১৮গী বডজেট'তা লুপা ক্রোর ১৫,০০০গী শেনফম কায়থোকখিবদু ২০২১-২২ দদি লুপা ক্রোর ১১,০০০দা হন্থরকখি। অঙনৱাদি সেন্টর লাখ তরামরীদা অঙনৱাদি ৱার্করশিংগী খূত্থাঙদা, লায়রবা অঙাংশিং অমদি মীরোনবী নুপীশিংদা চীঞ্জাক লেম্না ফংহল্লিবনি। করম্বা অঙাংনা মশা ফরোইদৌরিবনো?

অদুবু কদায়? অঙনৱদি (আঙ্গন-ৱাদি হায়গদবনি) সেন্টরশিংদা করম্বা চীঞ্জাক, কনানা সপ্লায় তৌবগে? করম্বা অঙাংনা চাবগে? পূম্নমক্না খঙনবনি, ইরুরগা করি কান্নে? লুপা ক্রোরনা খূজিং ওইরগা শেল চাফম/শেল হাৎফম দিপার্টমেন্ট অমগুম লৌনৈ সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট। নেসন বিল্ডিং সেন্টর অমা ওইনা কনানসু লৌনদে।

লৌশিং পুক্কে

# মীয়ায় চল্লকপদা চাং নাইনা

## হকচাং শাজেল তৌদুনা অহল ওইরক্লগা লায়না তীন্না চেন্দনবা হোৎনসি

মতম খরগী মমাঙদা ওইখিবা ফীভমগা য়েংনবদা মীওইবগী পুন্সি শাংদোরক্লে। কুমজা ১৯৮০ গী পরিংদা মীওইবনা চাংচৎতা চহী ৭৪ পুন্সিরম্বদগী হৌজিক্তি চহী ৭৮ গী চাংদা পুন্সিরে। অদুবু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মীওই অয়াম্বা কুইনা হিংলবসু পুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা দাইবেটিস অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা লায়না কয়ানা শাগোন্নদুনা হিংলি। অদুবু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি অহল ওইশিল্লক্লগা লায়না-তীন্না অমত্তা চঙদনা হকচাং ফনা লৈবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ হেলসিনকি, য়ুনিভর্সিটি ওফ জিবাস্কিলা অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ টর্কুগী রিছার্চর কাঙবু অমনা চথখিবা ষ্টদিদগী ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

রিছার্চর কাঙবু অদুনা কুমজা ১৯৭৫ অমসুং কুমজা ১৯৮১ দা মীওই ৩০৫০ গী হকচাং লেঙ-ওৎপগী মওং মতৌ য়াম্না য়েংশিল্লম্মী। মতুং তারকপদা কুমজা ১৯৯৯ অমসুং কুমজা ২০১৫ দনা মীওইশিং অদুগী ৱাখল খনবগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা মীওইশিংদি অহল ওইরক্লগা ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতীক ময়াই মাঙদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি।

হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাংবা মীওইশিংনা অহল ওইরক্লগা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই হেনবা নত্তে। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা ময়ায় ওইরকপ চাংদা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবদুনি মরুওইরিবদি।

মালেমগী ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা দিমেন্সিয়া নাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। দিমেন্সিয়া হায়বসি চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংনা মায়োক্লগনবা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা লায়নানি। হৌজিক ফাওবদা লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদ্রিবা লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগীদমক মীয়ায় চল্লকপা মতমদা চাং নাইনা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌগদবনি হায়রি।

'জর্নেল ওফ অলঝিমর'স দিজিজ'গী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মীয়ায় চল্লকপদা হকচাং শাজেল তৌবনা অহল ওইরক্লগা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙহন্দবা ঙম্মী হায়বা খঙলবসু মখা থানা থিজিনগদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি।

অমরোমদা, অর্কাইভস ওফ ইন্টরনেল মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি নহা ওইরিঙৈদা হকচাং ফবা নৎত্রগা ফৎতবগী ৱাফমনা তোখায়না থমখ্রগা মীয়ায় চল্লকপা মতমদা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাং ফিট ওইহল্লবদি অহল ওইরক্লবা মতমদা চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়নননা মরী লৈননা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টর অমসুং দলাসকী কুপর ইনষ্টিট্যুটনা মীওই ১৮,৬৭০ গী মরমদা কুপ্না থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

কুমজা ১৯৯৯ দগী কুমজা ২০০৯ ফাওবা চথখিবা ষ্টদি অমদা রিছার্চরশিংনা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংগী ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মীয়ায় চল্লকপা মতমদা মশা-মউ ফনা লৈবা তারবদি অহল ওইরক্লগসু হার্ট দিজিজ, দাইবেটিস, অলঝিমর'স, কোলোন কেন্সর নৎত্রগা লংস কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক নেম্না লৈ হায়রি। কুপর ইনষ্টিট্যুট ইপিদমিওলোজিষ্ট ওইনা লৈবা ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা লুচিংলগা ষ্টদি অদু চথখিবনি।

ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা হায়খি, মীয়ায় চল্লকপদা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশা-মউ ফনা থম্বা মীওইশিং পুন্সি শাংবগা লোয়নননা অহল ওইরক্লবা মতমদা অনা অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী মরমদা থোইদোক্না থৌশারুদবা তারবসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাং ফহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরগী ইন্টরনেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা এসিস্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা ডা. জেরেট বেরিনা হায়খি, চহী য়ামশিল্লকপদগী অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী পুন্সিদা শোয়দনা মায়োক্লরগদবা থৌওং অমনি। অহল ওইরগা করম্বা পুন্সি মহিংদা হিংবা পাম্বগে হায়বদু ইশা-ইশানা মুন্না খন্থরগা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা মথৌ তাই। হকচাং ফবা নৎত্রগা ফৎতবা হায়বসি মীওইবদা পোকপদগী লোয়নরক্লবা জিনগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুম ওইনমক পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না ঙাকথোক্লবগী মতাংদদি ইশা-ইশানা হোৎনবগী মখা পোনগনি। মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুমীৎ খুদিংগী খোঙকাপ খরা খোঙনা চৎপগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌরবদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না অয়াম্বা ঙাকথোকপা ঙম্মী। পুম্নমক অসিগী মথক্তা চাকচা য়ুথক ফজবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি, অফবা নুংঙাইবা ৱাখল খনগদবনি অমসুং মপুং ফানা পোত্থাগদবনি।

ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌগদবনি হায়দুনসু শান্নরোয় অমগী মতৌগুম নুমীৎ খুদিংগী হুমাং তানা চেন-চোংগদবা নত্তে। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নবনিনা নুমীৎ খুদিংগী হকচাং শাজেল তৌনবা মতম কাইথোকপা ঙম্ফম থোক্তে। মরম অদুনা নোংমগী মীনিট ২০ নৎত্রগা ৩০ খোঙনা চৎপদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংগনি। খোঙনা চৎপগী তোখায়বা মতম কাইথোক্তবসু ইশাগী থবক চৎপদা গাড়ী তোংলগা চৎপগী মহুৎ খোঙনা চৎপা য়াই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ৫০শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী নুপা শুমাং লীলা অথোই-অহেন তান্নবগী হুম্নী চনবদা *মুৎলরোইদবা মচু* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন দুনা ৫০শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল অথোই-অহেন তান্নবা হৌজিক হৌজিক কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শঙলেনদা চত্থরিবা নুপা লীলাগী অথোই-অহেন তান্নবা ফেষ্টিভেলগী হুম্নী চনবা নুমীৎতা ঙসি *মুৎলরোইদবা মচু* হায়বা নুপা লীলা উৎখ্রে।



পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী মুৎলরোইদবা মচু লীলা অসি মনাওবী এম এমনা ইবগা লোয়ননা ঈশৈ ময়েকসু মহাক্না ইবনি। লীলাগী ৱারীদা নম্বর ফোর কাপ্পা মচানুপা শেঞ্জাও পায়বগী অৱাংপা লৈত্রবসু মচানা নিশা চারকপগী অৱাবা চৈথেং মৈচাক্কা লোয়নননা হিংলকখি। ডোক্তরনা লায়েংবদা শেন্নরিবা মীওই অদুগী মখা পোন্না চেকশিন্না শেন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মরম্না শেন্নরিবা মীশক্তুগী থৌদাংদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি।

নিশা চারম্বা মীনা নিশাদগী লাপথোক্তুনা মীওইবগী হিংবগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা অমদি মীয়োক মীচান ফবা ইমুংগী অহলনা মচাবু শেন্নজরিবী চনুবু এ এস আইগী থাক্তা থবক চঙদুনা মীওইবগী পুন্সি শেম্বীখিবা লীলানি। লীলা অসিদা থবক তৌবা মতৈ-মনাওগী থবক-ইনখাং তৌননবা তোলোপ পীদুনা থল্লিবী লৈশাবী মচাদা য়ুম্বীরেম্বা ওইরিবা মহাক্না নত্তবা মীৎয়েং য়েংলকপা, খুদুম চন্নবা হোৎনবগী মশক কয়াসু লীলা অসিদা উৎলি। খুঙ্গংগী লায়রবা মমা য়াওদনা নাওকোনবদা শেন্থোক লম্বী লৈতবদগী ইম্ফালগী ইনাক খুনবা ইমুংদা শু-নোমদুনা মরুম থুপ্না হিংজবদা ইমুং অনীগী খেন্নবা মশক উৎপা লীলা অমসুনি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাঙলিবশিংদা নিংথেম্বদা য়ুম্নাম অরুনকুমার, ইঙারেম্বদা হেনরি সরাংথেম, ডা. অমুচাদা অথোকপম সন্তোশ, লৈবাকমচাদা নাওরেম তম্ফাসনা, শকহেনস্নাদা ঙাশেপ্পম রোবার্টসন, মেরাজাওদা লাইশ্রম ইবোতোম্বী অমসুং লোইজিংখোম্বদা সোরোখাইবম ইবোহনবীনা শক্তম লাঙখি। নুপীগী শক্তমদা অঙ্গংবগী শক্তমদা য়ুম্নাম মিলন, থাবাতোম্বীগী শক্তমদা সেঞ্জম দিপসন, শকহেনবীদা হুইরেম বিসেস অমসুং অঙৌবীদা মাইবম রোসননা শক্তম লাঙখি। মুৎলরোইদবা মচু হায়রিবা নুপা লীলা অসিগী নুপা খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবনা নাওরেম জিতেনকুমার অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবনা লিকমাবম বিকিনি। গিটরদা মোইরাংথেম রোবার্ট মীতৈ, তবলাদা লাইমুজম বিনোয়, বাঁসিদা সেরাম রোমাজিৎ, কি-বোর্দতা লাইফ্রাকপম সুরচান্দ, পেদ দ্রমদা নাওরেম তম্ফাসনা মীতৈনচিংবনা খোংবা থিনবগী থৌদাং লৌখি।

নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী হয়েং মরিনি চনবা নুমীৎতা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *মঙাল য়াওদ্রবা নুমীৎ* উৎকনি হায়রি।

# ৱামাগী ময়াই লোয়শঙদা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) কংলৈপাক্কী থৌ পুবশিংগী মীফম অমা তেরাদা লৈবা ৱামাগী ময়াই লোয়শঙদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখোম্বা মীতৈ অমদি শাদোকপম তোম্বা মঙাং ভাইস প্রসিদেন্টনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না ৱামা কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন দেবেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা মরুওইনা লমদমসিদা ইমালোল অসি নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম মুৎশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা তঙাইফদনা লোল অসিবু কন্ননবা, লোলয়ান শীজিন্নদবনা খোঙথাং ওইনা মীওই তরেৎনা শাবা লোলয়ান য়েংশিন কাঙলুপ কৌবা অমা পাকথোক চাউথোকখ্রে। য়েংশিনবগীদমক মীওই তরেৎনা শাবা খল্লবা মীওইশিং অদুদি শাদোকপম তোম্বা মঙাং, পাওনম থাকাবা, ৱাইখোম গোজেন, আর কে জিতেন মঙাং, নিংথৌজম দেবেশ্বর, নাওরেম বন্দনা অমদি লাইশ্রম প্রিয়ালক্ষ্মীনি।

হায়রিবা মীওইশিং অসিনা খুদক্তগী লমদম অসিদা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং, মমি কুম্ক্ষে, শুমাং কুম্ক্ষে, ফম্বাক কুম্ক্ষে অমদি ঈশৈ ময়েক ইরিবশিংনা পুথোক্লিবা লোলশিং তঙাইফদনা মমালোল নত্তবশিং য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিনবদা অয়াবা পীবদা অমত্তা ওইনা য়ানখি। ঙসিদি মশাগী মমালোলশিং নোংম-নোংমগী মীতোপকী লোলনা তপ্না তপ্না য়োৎশিল্লকখিবগুম মমি শাল্লক্লি। মসিদগী তঙাইফদনা মমালোলবু কলহৌনবা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। খোঙজং অসি চঙশিল্লকপা মতমদা কনাগুম্বা অমত্তগা লোন্না য়াশিন্নবা তৌরোই। তঙাইফদ্রবদি মীয়াম খঙনা লাউথোক্কনি। ইমালোল কনসি, ইমালোল চাউখৎহনসি য়াদবা মীতোপকী লোলনা হেন্না থৱায় য়াওশিনখিবনা শুমাং কুম্ক্ষে, ফম্বাক কুম্ক্ষে, মমি কুম্ক্ষে অমদি ঈশৈ ময়েক ইরিবশিংনা মতম চানা শেমদোকমিন্নহৌসি। মদুনা নত্তদনা মীতোপকী লোলনা হেন্না থৱায় য়াওশিনখিদুনা মমালোলবু থৌ-ৱাশানরক্তুবদি মতমদুদা ৱামানা অথিংবা পীরকপদা ৱারৌবীদনবা মাঙজৌননা থমজরি হায়নসু ৱামা কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন দেবেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী ৱাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওস্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৯।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
লাংবনগী ১২ নি পানবা।

মেষ: চিংনবা পোকপা, মহু চাওবনা তাথিবা, অঙম্বনা চানবীবা খরা ৱাৎলসু নীংবা থুংবা, মরুপ মপাংগী মতেংনা থবক পাঙবা অমদি শেন্দোং য়াম্বা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: হকচাং নুংঙাইবা, মীয়ামগী মতেং ফংবা, নচা-ননাইগী মতেংনসু নুংঙাইবা ফংগদবা নুমিৎনি। হেন্না আশা চাওবদি নথক থোংবগা মুক্লবা য়াবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: য়েক্লবনা কায়নবা নংহনবা অমদি ফিংবনা মাঙজবা নুমিৎনি। থৌওং খঙগনবা অমদি মরুপ অফবা ফংজবদি লৈগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই- তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা, শেন্দোং য়াম্না ফংবা, অনৌবা আশা লাকপা অমদি অরং-অরাক লৌবা য়াবা নুমিৎনি। য়াকা য়েংনা থৌপাঙবনা হেন্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: কোক শাবা খরা লৈরসু নোল্লুক্না চৎচরদি কায়বা লৈরোই। শেল অমদি মীচঙ ফংজবা, অফবা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। লম চৎপদি হুরানবনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নক্লবগী মতেং লৌনবা হোৎনৌ, ৱানোম থৌনোমসু কান্নগনি, অফবা মফম কনগনি। থৌনানা উপায় ওইগদবা নুমিৎনি। চরাংনবদি মতম মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: য়েৎনবনা মাঙজবা, লাঙতক্লবনা পোত্থাফম খঙদবা, ইমুং মনুং ৱাতান্নবা ৱাৎপনা নুংশাথিবা নংবা য়াবসু লৈ। অঙম্বনদি চানবীগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লাই-গুরুনা চানবীবা, অনৌবা আশা লাকপা, শেন্দোং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। কান্নবা মরম লাক্কনি- লৌনবা হোৎনৌ। লৌশিং য়াম্না তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: য়েক্লবা মাঙখিনি, মীয়াম্না য়াবা থবক পাঙনবা হোৎনৌ, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনহৌ-কান্নগনি। নোল্লুকপা হৈত্রদি নুংশাথিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং য়াম্না ফংবা, ইমুং-মনুংগী ৱানা উপায় ওইগদবা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি ৱাঙাং হৈতবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: লেঙদবা লন তানশিনবা, তুংগী পোরম শীনবা লাঙবা হৈবা অমদি অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা অফবনা হেনবা নুমিৎনি। অদুবু য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: লাইবক ফগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি, নীংবদুমক মীনা তাকপা ঙাংবা ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। কাওবদগী নরল মাঙবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা মনা লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী টিম সঙাই অমদি বিল্ডর্স স্কৱাদনা এ আই সী টি ঈ- এম আই সীগী মখাদা চত্থরিবা মেগা গ্রান্দ ফাইনেল ওফ স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোন ২০২২দা হেরিটেজ এন্দ কলচর এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী ইনোভেসন কেটগোরিদা অহানবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন লৌরকখ্রে হায়না মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল এঞ্জিনিয়রিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কোসিগিন লৈশাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্স ইনোভেসন সেল এ আই সী টি ঈ, পর্সিষ্টেন্ট সিষ্টেমস প্রাইভেট লিমিটেদ এন্দ ইন্দিয়ন সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্টর, সেল ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি এমাজোন ৱেব সর্ভিসেসকী ওফিসল পার্টনরশিংগা চহীসিগী হৌখিবা ওগষ্ট ২৫দগী ২৯ ফাওবা স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোন ২০২২গী মঙাশুবা ইদিসনগী মেগা গ্রান্দ ফাইনেল অসি পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

মেগা ইভেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ৭৫ নোদল সেন্টরশিংনা অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী থৌরমগী মনুং চন্না টিম ২০০০ রোম্না শরুক য়াখি। থৌরম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফেয়র্স এন্দ এদ্যুকেসন আর কেরঞ্জননা হৌদোকখিবনি। থৌরমদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাহৌদোক পীরদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা টেলেন্ট লৈরবা অমদি আইদিয়া কয়া লৈরবা নহাশিংবু লৈবাক্কী কান্নবা থবক থৌরমশিংদা ঐখোয় পুম্নমক্না পুরকমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# য়ু ঙাওবা পুলিস অমনা তমথীনা ফূরম্বদগী লায়কন্নরিবী মঙ্গোলঙানবীদা এল এম জিনা খুদক্কী ওইবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইরিবা ৱ্যেরলেস দিপার্টমেন্টতা ওফিসর ওইবা য়ু ঙাওবা অমনা তমথীনা ফূবীরম্বদগী শরূ তেক্তুনা হৌজিক লৈরিবী পোৎফম ফম্বী ইমা নিংথৌজম মঙ্গোলঙানবী (৬৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা বাবুচৌবগী অনা-লায়েংদা মতেং ওইনবা খুদক্কী ওইবা তেংবাঙ ওইনা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)না ঙসি নুংথিল মঙ্গোলঙানবীগী ভারাগী য়ুমদা চৎতুনা লুপা লিশিং ৬ মতেং পাংদুনা ইমা অসিগী অৱাবদা শরক য়াখ্রে হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




য়ু ঙাওবা পুলিসনা ফূবীরম্লবা ইমা মঙ্গোলঙানবী থাঙ্গদগীনি। হৌজিক্না তেরা খুরাইজম লৈরক্তা ভারাগী য়ুমদা লৈদুনা তেরা বজারগী মচি অমদা ঙা য়োন্দুনা ইমুং-মনুং পুজবনি। হৌজিক শরূ তেকপনা মরম ওইরগা থা ১ লেঙ-ওৎপা তৌগনু হায়না ডোক্তরনা পাউতাক পীরকখি। ইমুং অসি হাতে-হাতে মমানা শেল তাল্লগা য়ুম পুবনি। থৌদোক অসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা অমনি। ঙা য়োনবীগী মচানা আই এ এস পাস তৌদুনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ফাওবা ওইখ্রবনি। পোৎফম ফম্বীশিংবু ঈকায়খুম্নবীয়ু। সগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক্তগী ইমা মঙ্গোলঙানবীবু ঙরাং নুমীদাং মহাক্কী পোৎফমমক্তদা য়ু কা হেন্না ঙাওরবা পুলিস ওফিসর অমনা তমথীনা ফূবীরম্বগী থৌদোক অসি লূপ অসিনা তরাইনা লৌদে। ইমা ওইবী নুপী ওইবীশিংদা অসুম্না খুৎ থাবগী থৌদৌ অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু।

ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা লুচিংদুনা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি এস ওজিৎ, সোরেন্দ্র নিঙোম্বা, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম অমদি বোইনাও মাইবমনচিংবা মরুওইবা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা লূপ অসিগী সেক্রেটরি এস ওজিৎনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা তৌবীগনু হায়বা আপীল তৌখি।